# ‘‘মীদি শিরগা মগুণ খঙই-!’’



**– এল ইবোমচা –**

থাঙ্গোল অদো ময়া থাংঙু থৌনা, হে লৌউবা
ময়া থাংঙু থৌনা থাংঙু, থাংঙু তোয়না তোয়না
য়েংঙু ইতা চেকশিন্না পায়য়ু ময়া তাখিনি।-ইরবত।

মহৌশানা অরিবা চৎখ্রবদি অনৌবা লাকই। তাইবঙ অসিদা উরিবা লেংলি পাল্লিবা খুদিংমক অনৌবগীদমক অরিবনা খুদোল তন্বীরম্বনি। অনৌবনা অরিবগী শক্তম শাথেক, ঈচেল য়াওল, অমদা থৈদোক-থৈজিন তৌরবসু অরিবগী ঈচেল অমদি পান্দমদি অনৌবদা খুদোল ওইনা লৈহৌই। হৈরাং লৈরাংশিংনা কেল্লিবা অরিবনা অনৌবদা তল্লিবা খুদোলনি।

অনৌবা কুমদি অরিবা কুমওনগী খোঙ্গুল ইন্দুনা চৎচবনি। মতম্না হোংলসু অরিবদি লেঙদনা লৈহৌরি। অনৌবা য়াওল লাকপদা অরিবা চৎনবী অদু কান্দুনা চৎখিবা নত্তে। অরিবা মতমগী হৈপাল লৈপালদা অনৌবা হৈরাং লৈরাং উজরকপসু অরি অনৌ মশা অমত্তনি। অরিবগী মহাও অনৌবদসু অদুমক লৈজে। অনৌবা ফনা হোংলবসু অরিববু পাম্মু নুংশিদবা য়াওদে। অদুনা অনৌবনা অরিববু থাদোক্লোই। মালেম্না লৈরিমখৈ অরি অনৌদি থাদোক্তনা লৈমিন্নগনি। তুরেলগী ঈচেলবু তোর্ব্বান অনীনা ৱাংমা-ৱাংমদা ঙাকপগুম চহীগী কুমওন লাকপদা অরি অনৌ অনীনা ঙাকই।

মণিপুরগী পুৱারীদা এপ্রিল, ওগষ্ট, সেপ্টেম্বর, দিসেম্বরনচিংবা থা মরি অসি য়াম্না মরু ওইবা থাশিংনি। হায়রিবা থাশিং অসি চহী খুদিংগী য়ৌরকপদা মশা মতোমতা হৌখ্রবা মণিপুরগী পুৱারী হাংদোকচরক্তুনা মীপূম খুদিংমক হরাও নুংঙাইবা য়াওনা খোইরাং খোইশাওনবগী মীকপ থোকই।

এপ্রিল থা য়ৌরকপদা অদুঙৈ কুমজা ১৮৯১, এপ্রিল থাদা শোক্লখিবা এঙলো মণিপুরী ৱার নীংশিংহল্লি। চহী খুদিংগী এপ্রিল ২৩না লাকপদা খোংজোম নুমিৎ থৌরম হায়দুনা মণিপুর লৈঙাক্লা চাউনা পাঙথোকই। নুমিৎ অসিদা মণিপুরদা লৈরিবা ক্লব ওর্গনাইজেশন অমসুং সী এস ওশিংসু মণিপুরগী কাচিন কোয়া শিন-থুংনা থৌরম পাঙথোকই। তৌবতবু কুমজা ১৮৯১দা মণিপুর বৃটিশকী খূত্তা মায়থীবা নংদুনা লমদমসিদা অনৌবা লৈঙাক্লোন য়ৌরকখি। তাঙ্কক অসিদগী মণিপুরগী ইতিহাসকী পন্দুপ অমা হৌরকখি হায়বা য়াই। হায়বদি মালেমগী অহানবা লাঞ্জাও ১৮৯১দা বৃটিশ লান্মীশিংগা মীতৈ লান্মীশিংগা শোক্লদুনা মণিপুরদা লোইশিনখি। মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওসু ১৯৪০দা বৃটিশ লান্মীশিংগা জপানিজ লান্মীশিংগা য়াম্না কন্না শোক্লদুনা মণিপুরদা অরোইবা লানফম ওইখি। অহুমশুবা লাঞ্জাও অসিসু মণিপুরদা লোইশিনগদৌরিব্রা মদুগীদমক মণিপুর মীয়াম্না অকি তুজুংবা ফাওনরি।

ওগষ্ট থানা লাকপদা বীর টিকেন্দ্রজিৎ অমদি থাঙ্গাল জেনরেলনা ইমা লৈবাক মণিপুরগীদমক নোক্লা নোক্লা ফাঁসিগী শগাই কাখিবদুদা লৈবাক মীয়াম হুপ্পা নৌহৌননা নীংশিংনরি। ইমা মণিপুরগী অথোইবা মপারী অনী অসিনা ইংলেন্দগী মহারানিগী মথক্তা লান হৌই হায়বগী নমাদা কুমজা ১৮৯১গী ওগষ্ট ১৩দা ইম্ফালগী ফৈদাবুং (মপাল কাংজেবুং) দা বৃটিশনা ফাঁসি তৌদুনা হাৎপীখি। অথৌবা অনী মমা লৈবাক্কীদমক থৱায়না পোন্থা পীখিবা ওগষ্ট ১৩ নুমিৎ অসিবু চহী খুদিংগী অথৌবশিংগী নুমিৎ হায়দুনা থৌরম পাঙথোক্লবগা লোয়ননা দ্রামা হোল লৈনবা মফমশিং বীর টিকেন্দ্রজিৎ দ্রামা উৎপদগী লৈবাক মীয়াম হুপ্পা য়েংনরি। দ্রামা অসি য়েংলুরগা থোক্লকপা মীপূম খুদিং মীৎলু পিরাং চোত্তনা থোক্লকপা য়াওনদে।

সেপ্টেম্বর থা য়ৌরকপদা মণিপুরদা কুম্হৈ হরাও ময়াম অমা পাঙথোক্লবা মরক্তা ইরাবতকী মপোক নুমিৎ (ইরাবত দে) থৌরম মণিপুর শিনবা থুংনা পাক-চাউনা পাঙথোক্লে। সেপ্টেম্বর থা মনুংদা পাঙথোকপা কুম্হৈ হরাওশিং অদুদি হৈক্রু হিদোংবা, বামন জন্ম, ওজাগী নুমিৎ, তর্পন, বিশ্বকর্ম্মা, চাওরেল হৌবা অমদি দুর্গা পুজা অসিনচিংবনি।

কুম্হৈ হরাও ময়াম অসি লায়বু লায়রি, চহী হেক খুদিং মীয়াম্না থোইদোক হেন্দোক্লা নীংশিংনরিবদি সেপ্টেম্বর ২৬তা ইরাবতনা লৈখিদবা, সেপ্টেম্বর ৩০ ইরাবত মপোক নুমিৎ (ইরাবত দে), লৈখিদ্রবা মীয়ামগী লুচিংবা অসি নৌহৌননা নীংশিংনরম্মী। হৌজিকসু মাগা লোয়ন-তিন্নরম্বা মীওই অয়াম্বা লৈখিদ্রবসু মাগী হৌখ্রবা পূন্সি ৱারীদি হৌজিক্লা অমুক হেন্না অঙাং অহল খাক্তনা জননেতা ইরাবত অসি সেপ্টেম্বর থাদা পোকপনি, সেপ্টেম্বর থাদা লৈখিদবনি, সেপ্টেম্বর থাদা লৌমী শিন্মীশিংগী মীফম অমা এম দি য়ুদা শিল্লম্মী। মদুদা লন্নাই মায়কৈদগী মীয়াম অমা মীফম য়াওবা লাকপদা পুলিসনা থিংবদগী মীয়ামগা ইন্নবদা পুলিস ওফিসর অমা শিখি। পাউসি তাবদা ইরাবত মীরোৎ ওইখিবনি খঙনবগুম তৌরি। অদুনা অরিবা কুমদা থোকখিবা ওইজরবস অনৌবা কুমদনা হেন্নদুম নীংশিংলি।

জননেতা হিজম ইরাবত কুমজা ১৮৯৬কী সেপ্টেম্বর ৩০দা পিশুম ওইনাম লৈকায়দা তাইবঙদা ফাওরকখি। অপোকপনা হিজম ইবুংঙোহল, অপোকপীনা চোংথাম নিঙোল থম্বালঙম্বী কৌই। য়াম্না অঙাং ওইরিঙৈ ইরাবত অপোকপগা কায়নখি। মমা ইবেম্মনা পুরক্তুনা শৌগাইজম ওংবী মনে ইবেতোনগী ময়ূমদা লাকখি। অপোকপী মমাসু ঙন্তানা কায়নখিদুনা মনেনা মাবু লাইরিক তমহল্লকখি। লাইরিক অদুমক ফনা হৌরকই। অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা ইরাবত অরান অহুই শুকয়া য়ারক্তে। নোংমা স্কুলদা মহৈরোয় অমা ওজানা খোঙপাক্লা নেৎপা অমদি কাওবা উবদা মহাক্লা মহৈরোয় ময়াম হৌরগা ওজাদুগী মায়োক্তা ইহৌ হৌখি। ক্লাস সভেন ফাওবা তল্লগা তাঞ্জা অমা ফংদুনা ইরাবত বাংলাদেশতা চৎখি। মফম অদুদা ক্লাস টেন ফাওবা লাইরিক তল্লকখি।

অদুগা মণিপুরদা হল্লক্লবা মতুং কুমজা ১৯৩৯গী দিসেম্বর ১২দা থোকখিবা ২শুবা নুপীলাল দুদা শরুক য়াখি। মদু পোইনু থানি, লৌরোক পান্থানি কৈথেলদা চেঙ মরূ অমা ফংখিদ্রদুনা লায়র-অনং পূন্নমক শিবা তারদুনা হৌখিবনি। নুপীশিংতনা চেঙ তকফম মিল কয়াবু থুগায়দুনা মপাল লমদা চেঙ থাদোকপা থিংবদা ইরাবত শরুক য়াখিবনি। অসুম্না মতম খরা নুপী লালদা শরুক য়ারল্লগা অন্দরগ্রাউন্দ তাখিদুনা কুমজা ১৯৫১গী সেপ্টেম্বর ২৬তা বর্ম্মাগী তাংবোদা তাইবঙ থাদোকখি। মহাক কুমজা ১৯৪৮-গী সেপ্টেম্বর থাদা পুংদোম্বমদা থোকখিবা থৌদোক অমদা মীরোৎ ওইখিবনি। মীরোৎ ওইদুনা লৈরিঙৈদা বর্ম্মাগী তাংবোদা মশাগী অনাবা অমদগী লৈখিদবনি। জননেতা ইরাবত ঙসিদগী চহী ৭৪গী মমাঙদা তাইবঙপান থাদোকখ্রবসু মহাক অসি ঙসি ফাওবা হিংলি হায়বা য়াই। মরমদি সেপ্টেম্বর থা কুমওন অমদগী কুমওন অমদা লাকপদা অতৈ অতৈবুনা নীংশিংদ্রবসু ইরাবতপু নীংশিংনরি, ইকায়খুম্নরি।

হীরম খুদিংমক্তা ইরাবতনা য়াওখিদবা লৈখিদে। শান্ন-খোৎনবা, সাহিত্যদা মীয়ামগী থবক্তা জর্নেলিজমগী ঈহৌদা, মহৈ মশিংগী, থিএটরগী লম্‌দা ইরাবতনা য়াওখিদবা অমত্তা লৈখিদে। মসিদা নত্তনা মহাক অসি লাইরিক ইবনি, শান্নরোয়নি, শগোল কাংজৈ, মুক্না কাংজৈ, কাং শান্নবা, হোকি, টেনিশ, ফুটবোল শান্নবা হৈ। মহাক টাউন ক্লবকী মেম্বরসু ওইরম্মী। মশানা সদর পঞ্চায়টকী মেম্বর ওইরবা ফাওবা শান্নবা য়াওরম্মী। নহা ওইনা খুন্নাইগী থবক তৌবা মহাক য়াম্না পামখি। মরম অসিনা সমাজ সেবক অমা ওইনা ইরাবত অসি মরৈবাক শেমগৎ শাগৎপদা হেন্না থৱায় য়াওখি।

অসুম্না হন্দক্কী চহী ২০২৫গী ওইনসু সেপ্টেম্বর থা ইরাবতকী ১২৯ শুবা মপোক কুমওন লাকপদা মীতৈদি অনী পূনবা য়াদে হায়বদু মীতৈদি অনী পুন্দবা য়াদে হায়না হায়হনগদবনি লাউরম্বা মীয়ামগী লুচিংবা ইরাবতকী মায়থোঙ য়াম্বা পূন্সিবু নীংশিংদুনা ‘ইরাবত দে থৌরম’ হায়না মণিপুরদা পাক শন্না পাঙথোক্লি। কুমওন থৌরম অসি হান্নগী অরিবা থৌরম্লি কান্নদে হায়না লৈবাক মীয়াম্না মীরাইবদি লায়রদনা হেন্না হেন্না ময়েক শেংলক্লি। ‘‘মীদি শিরগা মগুণ খঙই-!’’ হায়নবদুনি, মশা লৈখিদ্রবা মতুংদতা মহাক্কী মতিক মগুণ লৈবাক মীয়াম্না হেন্না শক্ল-শোন্নরক্লি।-? ●

# ‘মথং মপোক, শিবা নাইদবা থৱায়’ (খঙদবশিংদা মীনম্লি লাইগী মিংদা)

**– বি সী খুমন –**

হে লাই,

অরোইবা নাইবা মতমগী ঈচেলসিদা মফম খঙদা তাওথরিবা পীকখ্রবা থৱায় মচা মচাশিংনা অসুক নাপল কানা শিগনি কাউনরিবসে ঐ মখোয়গীদমক্তা য়াম্না ৱায়। মতম অমদদি শানা শা হাৎলগা মবুক থন্নরম্মী, থোইদোক্লা পাপ-পুইন্যগী ৱাখল লৈনরমদে, হৌজিকসু অহোংবা লৈতে। ঈশ্বরনা শেল্লকপদা হিংজনবা লম্বীনি তাক্লমগদ্রা খল্লি। অদুবু, চাওখৎলবা ২১শুবা চহীচা তঙ্খায় চল্লক্লবা, স্পেস এজগী লমজেল তান্নরক্লবা মতমসিদা মীনা মী ময়াম অমা নুংশি হৈতনা হাৎপা শুকলেপ লেপত্রিবা অসিগীদি নঙদি থম্মোয় শোক্তব্রা? শিবদা করিসু পুখিদে, লাকপদসু করি লোয়নরক্তে খঙনা খঙনা মীওইবনা করিগী করাম চাউরিবা। মপু মানা শেল্লকপদদি অশোয়বা অমত্তা য়াওরক্ত্রবসু, খাঙুথক্কী নাপলনা ঐনা মহেল্লে খল্লিবা মতমসিগী অঙন্বশিং, মখোয় মখোয়না তৌরিবা পাপশিংনা মশাগী মংফম থিখিবনি খঙজরকপদা, হিংবগী মীকুপ লোইখিনি কাউবমখৈ মকন্থি থোক্লবগী তেংথা তাবীনবা কনাসু লৈররোই। অশিবশিংগী শিরমদাইগী তেংথা, অঙন্বশিংগী পূন্সি পীখন্নরমদাইগী তেংথাখোল, লম্বেল তোঙান তোঙান্নবা অহাঙবা মালংদা তিনখিদুনা চীকমাঙনখিনি হায়বসিমদি ঐ খঙই। লাই, নখোয়সু মরৌ লৈমল্লি।

লাই নঙমক্লা শেমখিবা বেদ ব্যাসতা নঙমক্লা ইনশিন্দুনা ইহনখিবা ‘মহাভারত’ কাব্য, মালেম্না ঙমখৈ নাইদা শীংথানরসু, নঙমক্কী অশোয়বনা নশাগী মোংফম শেমখি হায়বসি ঐ হায়দবা ঙমদে। করিগীদমক খুদিংমক মাঙওইননা উবা ঙল্লিবা লাইনা, সতি অমগী অভিশাপ মশানা য়াজখিবা হায়বসে লাইদি অচুম্বতমক তৌই হায়বদুগী ওন্ন-তৈনবনি। চুম্মী, শোয়হনখিবগী মরম চাম্মা-চাম্মা লৈরমগনি। ঐ অদুক হাক্লা মহাভারত কাব্যগী মরমদা থিজিনবা মপোক অমসু নত্তে। তৌবতদি, অফবগা ফত্তবগগী পূন্সি মহিং শেম্বদা অশোয়বা লৈখি হায়বসিমদি খুদম পীবা ঙমগনি। মীপূম খুদিংনা য়ুনিভর্সিএল ক্রুথনি শোন্নরিবা ‘গোদ সিজ দ ক্রুথ, বট ৱেট্স’ - ঙসিদি য়ানীংদবগী মশীং য়ামখৎলক্লব্রা খলহল্লে। পোলোইদা অচুম্বনা মায় পাক্তুনা নুঙাইনা পানখিবদো ঙসিগী মীরোলনা পাম্নদ্রে। লৈশাবীলক্তা পেরুক্লা চউম্বা খম্বদা য়ূম পাঞ্জনীংদে। চানীংবা, শেৎনীংবদা নীং থুংগদবা নোংবানদা ওইনা য়ূম পাঞ্জগে লাউনরক্লিবসে লাই নঙসু খঙলিনি। পাখঙলক্তসু - হিরো ওইদৌ শরুক বেদ ওইজগে, নীংতম্না চানীংবতা চাবা, কোয়নীংবতা কোয়রগা নুঙাইনা মতম খরদং হিংজগে হায়নরক্লে। খঙদে শকউদবা অওনবগী য়াম্না তপ্পা ফোর্স অমদা তাইবঙপানসে মথক মখা ওনখিগদ্রা খল্লকই। লাই নত্তনদি কনাসু খঙলোই খনবীনু। মী মরক্তসু তুংলমচৎ তাকপা ঙম্বা থোরকপনিনা মীগা লাইগা ইশম শম্নরকপসি অদুঙৈ কংলৈপাকসি মীগা-লাইগা শম্নখি হায়বগী মতিক লমদমসিগী মীওইবগী ৱাখলদা মোংলকপা ওইরম্বসু য়াই।

‘মথংগী মপোক লৈব্রা? থৱায় মাসু শিবা নাইদব্রা? মপু মঙোন্দদি হংলুনু অপেনবা পাউখুম ফংলোই’ হায়নরিবসিনা করিগী? হোয়, থম্মোয় শেংনা মপু মঙোন্দা চহী কয়া নীজখিবা, মপুগী থৌজাল ফংদনা পূন্সি লোইখিবসু নঙগী কাব্যগী লৈতেং ওইরি, ‘‘মাগী মাগী তৌরুবা কর্ম্মগী মহয়নি’’ হায়রি। অমুকসু হংনীংলি ‘কর্ম্ম’ দু কনাগী খূৎশেম্লো। কান্নদে, কন্সপিরেসিতনা য়োল্লগা তাইবঙপানসিদা হাইনা হুম্না পান্নীংবা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্প, ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর (মিং পঞ্জনীংদ্রে) গী দর্টি পোলিটিক্স, মপু ওইবা নঙগী খূৎশেম ওইরমগনি। মরম হায়রদি, মখোয় মশানা মশাবু লাইমক্লি খনবগী থাক য়ৌখ্রে। দেমোক্রেসি চৎপা চাউখ্রবা লৈবাক অনীদা করিগী নঙনা দিক্টেটর অনী পোকহনবীরি। হৌজিক্তি মখোয় অনীমক অখাবা মীৎয়েং মীৎচান্নরি। নঙনদি হায়রক্লনি খল্লি, ‘‘নাপলনা লাকহৎলবা মখোয়গী মতম শুরক্কদৌরে। মশাগী কর্ম্মনা মশাগী মোংফম থিজবশিং ঐনসু ঙাকপীরোই। তেংবানবসিদা লৈরিবা অচৎ-চত্তা খিবিক্কী মপু ঐনা, অহৌবা নাইহনবনি - পোলোইসু ঐগী ইথৌনুংগী মখা পোলহনবনি। ঐনা হায়রি- জিববু নুংশিয়ু, মখোয়না তাদ্রে ঐ করি তৌনি। শারমচৎতি ঐগী য়েক্লবনি অদুবু মখোয় শারমচৎ চৎপশিং য়োকখৎলে। মখোয়গী পোলিটিকেল করিয়র, মখোয়মক্লা মাঙহনখ্রে। কৈদৌরুনি-উনানা উপালদগী কেল্লকপসু ঐঙোন্দা তাইননি খল্লবদি ঐ লাই ওইনীংদ্রে’’।

তশেংনা ঙসিগী তাইবঙ লোনচৎ লাইনা খম থেংনা ৱারৌরে। অচুম্বা, থম্মোয় শেংবা, মীনুংশি খঙবা, ধর্ম্মবু ইকায়খুম্নবা, তেংবাংবদা মমল থিদবদু পামজরুবা লাই তাইবঙ মীওইবনা নোক্লবীরে, করেম্নবীরে। শিখ্রবদি হল্লকপা লৈতে, মথংগী মপোক, মোন্দ্রং শান্নবনি। চুন্ত্রা হায়নসু ৱাখলদা মথৌ হাপ্পি। মীতৈগী লুচিংপুরেল নেতা ইরাবত হল্লকখিদ্রে। তুংলমচৎপু তাকপীরম্বা মায়চৌ তরেৎ শাফোংলকখিদ্রে। খম থেংনা ৱানরবা মীতৈশিং কনবীরম্বা লাই ইবুধৌ পাখঙবা, ইবুধৌ থাংজিং, মখোয় মখোয়গী খুভমমক্তদা কুকিশিংনা খোঙনেৎনরিবা, মতিন শিৎলিবা করিবু তৌবা ঙল্লি? লায়না ৱায়েল্লগা তাইবঙ মীনা ঈং-তপ্না হিংলম্বনি। অদুবু মতমসিদি লাই ফাওবা মীনা ৱায়েল্লক্লে, থক খা ওনখ্রে। করি তৌনি য়ুহা হাহন্নি, নোংলৈ লাকহন্নি, চীং নীংখায়হন্নি, নোংথক্তগী বজ্র তাহন্নি, সুনামি লাকহন্নি, লাইমক্লা শেম্বনি হায়রিবা মীওইবনা করিসু নাচুংবীদ্রে। মীনা লাইবু কিদ্রে, চাওখৎপগী মিংদা লাইগী মপাউ তানীংখিদ্রে। লাইসু ইনকার্নেশনগী কন্সেপ্ট থৌওইখিদ্রে। পোখানীংলমান্নে। হায়সু হায়বনি, লাইগী অচুম্বা ৱায়েল লমদমসিগী কুম পুরবা পেন্দিং কেসগুম্বনি। ●

# ‘বেদমিন্টনগী শক্লাইরবা শান্নরোয় চীংশুবম বীনোয়না লৈখিদবা’

**- হোদাম মামচা (জ্ঞানেশ্বর) -**

ঙসি ঐখোয়না উহৈ চাবা ফংলিবা উপালশিং অসি ঙসি হেক্তা থারগা মহৈ পাল্লকপা নত্তে। চহী কয়াগী মমাঙদা থাবিরম্বা পাম্বীনা মহৈ পাল্লক্তুনা মহৈনা ঐখোয়না চাবা ফংলিবনি। চুড়াচান্দ মহারাজনা কুমজা ১৯২০গী পরিংদা বেদমিন্টন মশান্না হৌদোকপীরম্বদগী মশান্না অসি মীয়াম্না য়াম্না পাম্নবা মশান্না অমা মণিপুরদা ওইরকখি। অদুমকপু মণিপুরগী বেদমিন্টন অসি উমং ৱামংদা হৌদুনা লৈরম্বা উপালগুম মশক থোক্লা ফোঙদোকচনবগী মফম ফংদদুনা লৈরম্বদগী কুমজা ১৯৭৬তা বেদমিন্টন এসোসিএশন ওফ ইন্দিয়াদা এফিলিএশন ফংলবা মতুংদা কোলকটাদা পাঙথোকপা জুনিয়র নেশনল বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ্তা য়াওবা ফংখি। কুমজা ১৯৭৭তা গোৱাগী পাঞ্জীমদা পাঙথোকখিবা সিনিয়র নেশনল বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ্তা মণিপুরনা অহানবা ওইনা সিনিয়রগী কাঙলূপ্তা শরুক য়াখি। মণিপুরগী অহানবা সিনিয়র টিম অসিদা য়াওখিবসি শক্লাইরবা শান্নরোয় চীংশুবম বীনোয়সু অমনি। বিনোয় মণিপুরগী বেদমিন্টন নেশনল লেভেলগী পাইওনিয়র শান্নরোয়শিংগী মরক্তা অমনি।

হৌখিবা সেপ্টেম্বর ২৪, য়ূমশকৈশা নুমিত্তা তাইবঙ থৌদা লোইরদুনা তাইবঙপান থাদোক্তুনা মপুগী নাক্তা হনখ্রে। সেগা রোদ তখেল্লম্বম লৈকায়দা লৈবা মশাগী য়ূমদা মহাক্লা লৈখিদবা অসি মণিপুরগী বেদমিন্টন খক্কী নত্তনা মহাক্লা হিংলিঙৈদা মশান্না কয়া অমদসু য়াওরম্বনা মণিপুরগী স্পোর্টসকী চাউনা মাঙজবা অমনি। লৈখিদ্রবা বীনোয় অহানবা ওইনা কুমজা ১৯৬৪দা মণিপুরবু রিপ্রজেন্ট তৌদুনা মেঘালয়দা পাঙথোকখিবা ওল ইন্দিয়া ইন্টর স্কুল ফুটবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়াখি। মথং মথং ত্রাও রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শান্নরকপদা কুমজা ১৯৭০দা সী সী মীটতা রন্নর্স অপ তাখি, মণিপুর ষ্টেট লীগতা ১৯৬৮দা ৱিন্নর ওইখি। ১৯৭২দা রোভর্স কপতা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌখি, ১৯৭৩দা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌদুনা কেরলাদা পাঙথোকপা সন্তোস ত্রোফিদা শরুক য়াখি। হোকী মশান্নদসু ত্রাওগী শান্নরোয় ওইনা শান্নদুনা কুমজা ১৯৬৭তা ষ্টেটকী ৱিন্নর ওইখি। ১৯৬৯দা ওল ইন্দিয়া সিভিল সর্ভিসেস হোকি টুর্নামেন্টতা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শান্নখি।

অসুম্না মায় পাক্লা ফুটবোল অমদি হোকিদা শান্নরল্লবা মতুংদা কুমজা ১৯৬৮-দগীদি বেদমিন্টনদা হেন্না পূক্লিং চঙবা হৌরকখি। লোয়ননা কুমজা ১৯৭৫দা বোম্বেদা পাঙথোকখিবা ওল ইন্দিয়া সিভিল সর্ভিসেস বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শান্নখি। মসিগী মতুংদগীদি মহাক তুং হন্না য়েংলকখিদ্রে। কুমজা ১৯৭৬তা ওল ইন্দিয়া সিভিল সর্ভিসেসকী মেন্স দবলসতা ৱিন্নর ওইখিবা মতুংদা ১৯৭৭তা মণিপুর ষ্টেটকী মেন্স সিঙ্গলসকী ৱিন্নর ওইখি। মখা তারকপদা কুমজা ১৯৯৭ ফাওবদা ওল ইন্দিয়া সিভিল সর্ভিসেস বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌখিবদা কয়ারক হন্না মেন্স দবলসকী ৱিন্নর অমদি রন্নর্স অপ ওইখি অমদি মণিপুরনা টিম চেম্পিয়ন ওইবা কয়ারক্তা বীনোয়না মরু ওইবা শান্নরোয় ওইখি।

চীংশুবম বীনোয় অসি মায় পাক্লা সিঙ্গলসতা শান্নবতা নত্তনা দবলসতদি স্পেসিএলিষ্ট অমা ওইখি। মহাক্লা মণিপুরগী ষ্টেট চেম্পিয়নশিপ কয়াদা সিঙ্গলস অমদি দবলসতা ৱিন্নর ওইখিবতা নত্তনা ওল ইন্দিয়া সিভিল সর্ভিসেস, নোর্থ ইষ্ট জোন ইন্টর ষ্টেট চেম্পিয়নশিপ কয়াদা মেন্স দবলসতা ৱিন্নর অমদি রন্নর্স অপ তাখি। মহাক নেশনল চেম্পিয়নশিপ্তসু নীংথিনা শান্নখি। মহাক্লা ৱিন্নর অমদি রন্নর্স অপ তাখিবা মশীং অসি য়াম্মনখিবনা মশীংদি থিজদ্রে। লৈখিদ্রবা বীনোয় চহী য়ামশিল্লক্তুনা ভেটেরেনগী থাক্তা শান্নবদসু নিংথিনা মায় পাকপগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা চহীগী কাঙলূপ্তা নেশনলগী চেম্পিয়নশিপ কয়াদা ৱিন্নর অমদি রন্নর্স অপ তাখি। মহাক ৱর্ল্ড মাষ্টর্স চেম্পিয়নশিপ্তসু ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শান্ননবা কয়ারক সিলেক্সন ফংখি।

সী ঐচ বীনোয়গী শান্নবদা মায় পাকপবু নীংথিনা শক খঙবীদুনা কুমজা ২০২৪দা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লাইফ টাইম এচিভমেন্ট এৱার্দ পীদুনা ইকায়খুম্নখিবনি।

বীনোয়গী শান্নবদা তোপ তোপ্পা মগুণদি মহাক্কী থোইদবা য়াদে হায়বা ৱাখল্লোন অমদি থৌনা অদুনি। নিংথিনা শান্নবা শান্নরোয় কয়া অমা থোরকই অদুবু শান্নবদা মায় পাকপদা য়াম্না মরু ওইরিবা ফাইটিং স্পিরিট অসিদি মীওই পূম্নমক্তা য়াওদে। বীনোয়গী ফাইটিং স্পিরিট হায়ববু মঙোন্দগী হেনবা শান্নরোয় ফাওবা কম্পিটিশনদা মহাক্লা থোইবা ঙম্মী। মসিমদি তুংদা লাক্কদবা শান্নরোয়শিংনা খঙজিন তমশিলহৌবা কান্নগদবা মচাকনি। মহাক্লা বেদমিন্টন শান্নবদা মায় পাকপদা য়াম্না কান্নখিবা পাম্বৈদি সত্তল কন্টেক্ট তৌবদা খ্বাঙগী মথক্তা থোম্নবা হোৎনবা অসিনি। মসি মরু ওইনা দবলসতা য়াম্না কান্নবা মশান্ননি। বেদমিন্টনগী অফবা কোচশিংনা তাকপীবা ৱাহৈদা মরু ওইবা অমদি ‘কন্টেক্ট দি সত্তল এজ হায় এজ পোসিবল’ অসিনি। মসিমক বীনোয়গীদি তাকপগী মথৌ তাদে, মহাক্কীদি পোকপদগী য়াওজরক্লবা মওংনি। মহাক অয়াম্বা মতমদা লুকথরগা শান্নদে, হকচাং তিংখৎনা থমদুনা শান্নে। মসিনা মহাক্লা সত্তল কন্টেক্ট তৌবদা ৱাংনা তৌবতা নত্তনা থুনা য়াংনা চৎখি। লোয়ননা ওপোনেন্টতা য়াম্না খুদোং চাহন্দে। মহাক ৱাং চাউবসু ওইবা, ৱাংনসু কন্টেক্ট তৌবনা মহাক্কী রিটর্ন অসি য়াম্না ইফেক্টিভ ওই। মহাক্কী মশান্না অসিনসু মরম ওইদুনা দবলসতা লম্বা কয়াবু মায়থীবা পীবা ঙমখি হায়না লৌবা য়াই।

লৈখিদ্রবা বীনোয় অসি শান্নবদা ফবতা নত্তনা মীয়াম্নসু তিন্নবা নুংঙাইবা নুংশিবা মীওই অমসুনি। মহাক্কী শান্নবগী কন্ত্রিব্যুশন অমদি এচিভমেন্ট অসি মণিপুরগী বেদমিন্টনদা শীংথানদুনা লৈহৌরগনি। মহাক্লা লৈখিদবা অসি মণিপুরগী স্পোর্টসতা মেনখৎপা ঙমলরোইদবা অৱাৎপা অমা ওইনা লৈহৌরগনি। মহাক্লা লৈখিদবগী ইমুং মনুংদা ফংলিবা অৱা নুংঙাইতবদসু শরুক য়াজরি। মহাক্কী থৱায়না মপুগী নাক্তা নুংঙাইনা লৈবা ওইরসনু। ●

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১২৩গী ৱাহং**

১) ‘‘নোংলেন অমগী ৱারী’’ হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

২) ‘‘মন্থরবা লৈনাশিংনা কপলি
য়েংলি কিজনা মালংববু
লোৎলি অকংবা মশারক্তা।’’

ঈশৈ শৈরেং মতেক অসি য়াওরিবা লাইরিক অসিগী মমিং করি কৌবগে? অইবা অসিগী মমিং ইয়ু।

৩) ‘‘চৈনাখোলগী চৈনা’’ হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্লো?

৪) ‘‘ঐগী নুংশিরবী পোক্লফম লমদম! নঙগী নরাইবক্তা
হৌরিবা উফুল অসি-
করম্বা লৌমীগী লাঙ্গোন উকায়না
লৈতা মান্নহনবদা হৌবা উফুল নত্তে।’’

শৈরেং মতেক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমনা ইবা শৈরেংগী লাইরিক অমদগী লৌথোরকপনি। লাইরিক্কী মমিং অমসুং অইবগী মমিং হায়য়ু।

৫) ‘‘ভক্ত প্রহ্লাদ চরীত’’ (১৯৯৩-৯৪) হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ১৫, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১২২গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

১) মাইবম কাংজাম্বা মৈতৈ, লোইতাং খুনৌ মনীং লৈকায় - (২,৪)
২) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, রাইজিং সন দ্রেসেস থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স - (১,২,৩,৪)
***৩) থোকচোম নিরুপমা, পাৎশোই পার্ট থ্রী - (১,২,৩,৪)***
৪) খাইদেম বিলিয়ন মৈতৈ, লমশাং বজার - (১,২,৩,৪)
৫) তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় - (১,২,৩,৪)
৬) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,২,৩,৪)
৭) মাইস্নাম বুদ্ধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (১,২,৩,৪)
৮) হিজম অজেম, পাৎশোই পার্ট ফোর লাই হরাওবুং মনাক - (১,২,৪)

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ১২২গী ৱিন্নর*

*থোকচোম নিরুপমা, পাৎশোই পার্ট থ্রী (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবী)*

**লিটরেরি ক্যুইজ ১২২গী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

# দিজিটেল প্লেটফোর্মগী মখল অমসুং লোকলগী ওইবা দিজিটেল প্লেটফোর্ম -২

**– আনন্দ লাইশ্রম –**

(হান্নগী মখা চথুজরকপা...)

খুদম ওইনা হায়রবদা চাইনাদা হৌদোকখিবা অলিববানা অমেরিকাদগী হৌদোরকপা অমাজোন অমসুং eBay গা মায় পাক্লা থেংনবা ঙমখি। অলিববানা চাইনিজ মীয়ামগী অৱাৎ-অপা হেন্না ফজনা খঙবা ওইবনা অমাজোন অমসুং eBay না পীবা ঙম্বা সর্ভিস পীবা ঙমখি।

২) প্লেটফোর্ম মখল অতোপ্পা অমনা sharing economy platform হায়না কৌই।

মখোয়না পোৎ-চৈ ওইনা য়োনবদা মতেং পাংবা নত্তে, পোৎ-চৈ ৱায়রগা মতম খরগীদমক্তা শীজিন্নবদা মতেং পাংই। খুদম ওইনা হায়রবদা Ola নৎত্রগা Uber গুম্বা প্লেটফোর্মসি ride-hailing platform হায়নসু খঙনৈ।

মখোয়না গাড়ী লৈবা কাঙবুগা মফম অমদগী অমদা চৎনীংবা কাঙবুগা পাউ ফাওদোক্ল হল্লি। মখোয়না মশাগী ওইনা গাড়ী য়োনবা নৎত্রগা টেক্স চলাইবা নত্তে। মতম খরগী ওইনা গাড়ী অদু তোংলগা মফম অমদগী অমদা চৎপদা মতেং পাংবা খক্তনি। Marketplace platform গা মান্নবা লম-লমদা মশাগী ওইবা sharing economy platform হৌদোক্লবা য়াই। লোকল ওইরিবা sharing economy platform অদুনা মশাগী লমদুগী মীয়ামগী অৱাৎ-অপা হেন্না ফজনা খঙবা তারবদি হেন্না চাউরবা sharing economy platform ময়ামগা থেংনবা ঙম্বা য়াই।

খুদম অমনা, Uber হায়রিবা প্লেটফোর্ম অসি অমেরিকাদগী হৌদোকখিবনি। মখোয়না মালেমগী লম কয়াদা মায় পাক্লা শন্দোকপা ঙমখি। অদু ওইবা তারসু, সাউথ ইষ্ট এসিয়াদদি মখোয় য়াম্না কুইনা লৈবা ঙমখিদে। সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লম ময়ামদা Grab অমসুং Gojek না Uber দগী হেনখি। Grab অসিনা মলেসিয়াদগী হৌদোকখিবনি, Gojek না ইন্দোনেসিয়াদগী হৌদোকখিবনি।

মখোয়না লোকল মীয়ামগী মরমদা হেন্না ফজনা খঙবা ওইবনা, Uber না পীরিবা সর্ভিস/ সেবা কয়া অমা লোকল মীয়ামদুদা থুংহনখি। খুদম ওইনা হায়রবদা, সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লম কয়াদা মী অয়াম্বনা ফোর হ্বিলরগী মহুত্তা টু হ্বিলর ওইনা লৈনৈ। Grab অমসুং Gojek না টু হ্বিলরদা তোংলগা মফম অমদগী অমদা চৎপা য়াবগী সর্ভিস পীবা হৌখি। অদুগা Uber দনা ফের হ্বিলর খক্তদা তোংলগা চথোক-চৎশিন তৌবা য়াবগী সর্ভিস পীরম্মী। মসিনা মরম অমা ওইদুনা মীয়ামদুনা Grab অমসুং Gojek হেন্না শীজিন্নবা হৌখি। ●

(মখা চথুজরকখিগনি)